

# য়ু এস ওপন : নদাল, জোকোভিচ, পেট্রা কভিটোভা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, মুগুরুজা লৈহৌরে







ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজা, ৱিমল্লেদনগী রন্নর-অপ মিলোস রাওনিকনা মফম অসিদা চখরিবা য়ু এস ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মখোয়গী লম্বাশিংগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা মপান থোকখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা ৱাল্ক ওভর ফংদুনা রাউন্দ ওফ ৩২ দা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অহুমশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ মুগুরুজানা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৪৮ দা লৈরিবা লাটভিয়াগী অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভাগী মখুৎতা ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীদুনা ওপন অসিদগী য়াম্না ঙন্না মপান থোকখি। মেচ অদুদা মুগুরুজানা অনীশুবা সেটতা নেম্না লৈখ্রবসু মেচ পোইন্ট অহুম সেভ তৌখি অদুবু সেভাষ্টোভানা নক্ষৎখিদুনা মায়থীহৌখি।

চহী মঙা অসিদা য়ু এস ওপনদা মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদবা মশাগী চহী ২৬ শুরবী সেভাষ্টোভানা মথংগী মেচতা কাটেরিনা বোন্দারেঙ্কোগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। কাটেরিনা বোন্দারেঙ্কোনা চিনাগী জেং সাইসাইবু ৫-৭, ৭-৬ (৭/৫), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

চৈরক অসিদা রেঙ্ক ১২০ শুবদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী রয়ান হরিসননা মঙাশুবা সীদেদ রাওনিকপু ৬-৭ (৪/৭), ৭-৫, ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ লোইরবা মতুং রয়ান হরিসননা হায়খি, মেচ অদু য়াম্না টফ ওইখি। ঐনা রাওনিকপু নক্ষৎপা ঙমখিবদা অপেনবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা ক্বালিফাইয়র হরিসননা কুমজা ২০১২ দা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৪৩ শুবদা লৈখিবনি। মহাক্না মথংগী মেচতা সাইপ্রিওটকী বাঘদাটিসকা লম্বা তৌনদুনা লাষ্ট সিক্সটিনগীদমক মফম কঞ্জনবা হোৎনগদৌরি।

রাওনিকনা মেচ অদুদা এস ১৮ অমদি ৱিন্নর ৬৯ কনখি অদুবু অনফোর্স ইরর ৬২ তৌখিবনা মায়থীবগী মচাক ওইখি। হরিসননা হৌজিক অহানবা ওইনা স্লামগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মহাক্কী লম্বানগদবা চেক রিপব্লিক্কী জিরি ভেসেলিনা মশাগী ওইথংবা ফোরআর্মদা পোমখৎলকখিবদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী জোকোভিচনা অনীশুবা রাউন্দ অদু ৱাল্ক ওভর ফংখি।

জোকোভিচনা মথংগী রাউন্দদা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা রসিয়াগী মিখাইল য়ৌজনিগা শান্নদুনা লাষ্ট সিক্সটিনগী মফম কনগদৌরি। মিখাইল য়ৌজনিনা ওপন অসিগী অনীরক সেমী ফাইনেলিষ্ট ওইখ্রে।

কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী রন্নর-অপ ওইখিবা মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াকিনা কুমজা ২০০৪ গী চেম্পিয়ন সভেৎলানা কুজনেটসোভাবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

ৱোজনিয়াকিনা মশাগী য়েৎথংবা খুনিংদা অশোকপা লৈখিবদগী মতম খরা ৱর্ল্ডগী ৭৪ শুবা রেঙ্কতা হাইথদুনা লৈখিবনি।

বৃটেনগী ৩৩শুবা সীদ জোহান্না কোন্টানা বলগেরিয়াগী টসভেটানা পিরোনকোভাবু ৬-২, ৫-৭, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা সীদেদ ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন এঞ্জেলিগ কার্বরনা মশাগী চহী ৪২ শুরবী ক্রোসিয়াগী মিরজানা লুসিক-বরোনিবু ৬-২, ৭-৬ (৯/৭) তা মায়থীবা পীখি।

কার্বরনা মথংগী রাউন্দদা মশাগী চহী ১৭ শুরবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সিসি বেল্লিসকা লম্বা তৌদুনা লাষ্ট সিক্সটিনগী মফম অমা কঞ্জনবগীদমক শান্নগনি।

ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা রিচার্ড গ্যাসগেটবু মায়থীবা পীরমখিবা বৃটেনগী কেলে ইদমুন্দনা য়ু এস এগী ৱাইল্ডকার্দ আর্নেষ্টো ইস্কোবেদোবু ৭-৫, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জোন ইস্নরনা বেলজিয়মগী ক্বালিফাইয়র ষ্টেভ দার্সিসপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৭ (১০/১২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

মহাক্না মেচ অদুদা এস ৩৮ য়ৈদুনা মহাক্কী লম্বা বেলজিয়নবু নক্ষৎখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা বৃটেনগী কেলে ইদমুন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ক্রোসিয়াগী তরেৎশুবা সীদ মারিন সিলিকনা সর্গি ষ্টাখোভস্কিবু ৬-১, ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচতা কুমজা ২০১০ অমসুং ২০১৩ গী চেম্পিয়ন রফেল নদালনা ইটালিগী এন্দ্রেস সেপ্পিবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী রেকোর্দ ওইনা ৭-১ দা মায় পাক্তুনা চৎলি।

অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি মরিশুবা সীদেদ নদালনা ইটালিগী এন্দ্রেস সেপ্পিবু ৬-০, ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। মহাক্না রসিয়াগী এন্দ্রে কুজনেটসোভকা লম্বা তৌদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগীদমক মফম অমা কঞ্জবা ঙম্নবগীদমক হোৎনগদৌরি।

অতোপ্পা মেচ অমদা অনীরক ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী পেট্রা কভিটোভানা টর্কিগী কাগ্লা বিয়ুকাক্কেবু ৭-৬ (২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

কভিটোভানা হৌজিক নম্বর ২২ সীদ ইলেনা সভিটোলিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। রসিয়াগী ইলেনা সভিটোলিনানা অমেরিকাগী লৌরেন দাভিসপু ৬-১, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবনি।

তরেৎশুবা সীদ রোবর্টা ভিন্সিনা অমেরিকাগী ক্রিষ্টিনা মেকহেলবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না মথংগী মেচতা জর্মনিগী কারিনা ৱিথোফটকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

## লীএন্দর পেস, সানিয়া মিরজা, রোহন ভোপান্নানা য়ু এস ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ

ইন্দিয়াগী টেনিস ষ্টার লীএন্দর পেস, সানিয়া মিরজা অমদি রোহন ভোপান্নানা মফম অসিদা চখরিবা য়ু এস ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচশিংদা মায় পাকখিদুনা মখোয় মখোয়গী পার্টনরশিংগা লোয়ননা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিদুনা মখোয়গী কেম্পেন মশক থোক্না হৌখ্রে।

মিক্স দবলসকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স পেস অমদি স্বিসকী মার্টিনা হিঙ্গিসনা য়ু এস ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেচতা য়ু এস এগী সচিয়া ভিকরি অমদি ফ্রেঞ্চকী টিয়াফোবু মিনিট ৫১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

মখোয় অনীনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনাষ্টাসিয়া রোদিওনোভা অমদি কলম্বিয়াগী জুআন সেবাষ্টিয়ন কাবাল অমসুং অমেরিকাগী তরেৎশুবা সীদেদ কোকো ভান্দেৱেঘে অমদি রজিভ রামগা শান্নবদা মায় পাক্লকপা অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

নুপীগী দবলসতা তরেৎশুবা সীদ সানিয়া অমদি মহাক্কী চেক পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা অমেরিকাগী জুরা জাদা ময়ি হার্ট অমদি ইনা শিবাহারাবু অহানবা রাউন্দগী পুং অমগা মিনিট মাপন চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

দো অসিনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা স্বিসকী ভিক্টোরিয়া গোলুবিক অমদি য়ু এস এগী নিকোল মেলিচার অমসুং য়ুএস-জর্মনগী কোন্সো মেদিসন ব্রেঙ্গল অমদি টাটজানা মারিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নবদা মায় পাক্লকপা টিম অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

নুপাগী দবলস জুরা রোহন ভোপান্না অমদি দেনমার্ক্কী ফেদেরিক নিলসেননা চেক রিপব্লিক্কী ১৬শুবা সীদ রাদেক ষ্টেপানেক অমদি সার্বিয়াগী নেনাদ জিমোঞ্জিকপু ৬-৩, ৬-৭ (৩), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দো-দেনগী জুরা অসিনা মথংগী রাউন্দদা য়ু এস এগী ব্রিয়ান বাকর অমদি ন্যুজিলেন্দগী মার্কস দানিএলগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী অহানবা রাউন্দ য়াম্না টফ ওইগনি : ঐচ এস প্রন্নোয়



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ

মশাগী মনঙ্গলদা অশোকপা লৈদুনা লায়েংবদগী ফগৎলকখ্রবা মতুং অতেনবা প্রেক্টিসশিং তৌদুনা লৈরিবা কুমজা ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ঐচ এস প্রন্নোয়না য়ু এস দি ১২০,০০০ ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী অহৌবা রাউন্দ অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ৬ তগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রি গোল্ডদা ঐচ এস প্রন্নোয়না টাইটল লৌনবগীদমক মিৎয়েং থল্লিবনি। চহী অনীগী মমাঙদা প্রন্নোয়না গ্রান্দ প্রি অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি। মহাক্না চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা স্বিস ওপনগী টাইটল লৌখিবা হেক মতুংদা মহাক্কী য়েৎ থংবা খোঙদা অশোকপা লৈখিবদগী মতম কুইনা শান্নদনা লাকখিবনি। অদুবু মহাক্না য়ু এস অমদি কনাডা ওপনদা শান্নখি। মতুং তারকপদা মহাক্কী মনঙ্গলদা লৈরিবা অনাবা অদু অমুক হন্না হৌরকপদগী শান্নবদগী লেপখি।

প্রন্নোয়না হায়খি, হৌজিক ঐহাক ফগৎলে। ঐনা মমাঙদা শান্নখিবা গেম অদুমক শান্নবা ঙমগনি হায়না আশা তৌরি। ঐগী খোঙদা অশোকপা লৈখিবা অদু হেক ফখিবগা কনাডা অমদি য়ু এস এদা চত্তুনা শান্নখি। অদুবু ঐগী নঙ্গলদা লৈরিবা অনাবা অদু হৌরকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঐহাক্কী নঙ্গলগী অনাবা অদু কুমজা ২০১২ দগী হৌরকখি। অদুবু চহী ২/৩ দি থোইদোকপা করিমত্তা তৌরকখিদে। অদুবু চহী খরা লৈরগা অনাবা অদু হৌরকখি। অনাবা অদু ফবদা চয়োল অনীমখায়রোমদি চঙঙি। ঐগী খোঙ অমদি নঙ্গলদা নারিবা অসিনা ঐগী শান্নবদা অপনবা য়াম্না পীখি। ঐহাক্না মতম খরা শান্নবা ফংখিদে। অদুবু হৌজিক্তি অনাবা অদুদগী ফগৎলক্তুনা শান্নবা হৌরে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐহাক্কী হকচাং অসি ফগৎলবনা চয়োল অহুম ট্রেনিং তৌরে। মদুদা থোইদোকপা হকচাংদা অনাবা ফাওরকপা লৈতে। ঐনা অমুক হন্না শান্নরক্কদবা অসিদা ঐঙোন্দা চাউনা থাজবা হেনগৎহল্লি।

ঐনা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরসকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদু ঐগীদি নিংশিংনিঙাই ওইরি। ঐহাক্না মদুগী পোজিসন অদুদা অমুক হল্লকপা পামই। মদু থা অসিদা শোয়দনা খঙলগনি। ঐনা জপান অমদি কোরিয়াদা শান্নখ্রে অমদি মদুগী মতুংদা চয়োল অনীমুক লৈরগা দেনমার্ক অমদি ফ্রেঞ্চতসু শান্নখি। ঐনা তশেংনা সুপর সেরিজবু মায় পাকপা পামই হায়না প্রন্নোয়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রন্নোয়না ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরসকী মতাংদা মখা তানা হায়খি, ঐনা টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দ অসি য়াম্না টফ ওইরগনি হায়না খল্লি। ঐহাক মসিগীদমক মপুং ফানা প্রেক্টিস তৌবা ঙমদ্রবসু অতেনবা মতমগী প্রেক্টিস খরদি তৌরি। অদুবু ঐগী দ্রোদা টফ ওইবা প্লেয়রশিংগা তামিন্নবনা ঐঙোন্দা চেলেঞ্জিং অমদি শোয়দনা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রন্নোয়না মহাক্কী য়েৎকী খোঙবীদা অশোকপা লৈখিবনা মরম ওইদুনা থোমাস কপতা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাক্না স্বিস ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং অতোপ্পা টুর্ণামেন্টশিংদা মশাগী অশোকপা লৈখিবদগী শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাক্না মতম খরা রিহেবিলিটেসনদা লৈখি। মতুং মহাক্না কনাডিয়ন ওপন অমদি য়ু এস ওপনদা শরুক য়াখিবদা য়াম্না ঙন্না টুর্ণামেন্টশিং অদুদগী মপান থোকখি। অদুবু সেপ্টেম্বর ৬ তগীনা ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রি গোল্ড টুর্ণামেন্টতদি টাইটল লৌবা ঙম্নবা অশানবা মিৎয়েং থল্লি। মমাঙদা টুর্ণামেন্ট অসিদা শান্নখিবা অদুমক হন্দক্কী অসিদসু শান্নবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ঐচ এস প্রন্নোয়দা লৈরি।

# রোহিৎ কুমারগী গোল অনীনা দি এস কে সিভাজিয়ন্সনা গেংটোক হিমালায়নবু মায়থীবা পীখ্রে

## *নেরোকা এফ সি অমদি দেম্পো এস সি দ্রো চৎখ্রে*



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ এল এফ সি-দি এস কে একাদেমীগী গ্রেজুয়েট রোহিৎ কুমারনা চনখিবা গোল অনীনা দি এস কে সিভাজিয়ন্সনা মফম অসিগী অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা ১২৮ শুবা দুরান কপ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী গ্রুপ এগী মেচতা গেংটোক হিমালায়নবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা দি এস কে সিভাজিয়ন্স এল এফ সি-দি এস কে একাদেমীগী গ্রেজুয়েট রোহিৎ কুমারনা মেচকী মিনিট ৫ অমদি ৪৪ চৎপা মতমদা গোল অনী চনশিন্দুনা মহাক্কী টিমবু মায় পাকহনখি। হৌজিক দি এস কে সিভাজিয়ন্সনা ফুল পোইন্ট ফংখিবগা লোয়ননা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

গেংটোক হিমালায়নগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৭৮ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কিক অমদা জোন লেপচানা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-২ দা মায়থীহৌখি। হৌজিক দি এস কে সিভাজিয়ন্সনা মখোয়গী ফংখিবা মেচ অনীমক মায় পাকখিদুনা পোইন্ট তরুক লৌখ্রে।

মেনেজর দেভ রোজরনা টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা শান্নখিবা মহাক্কী প্লেয়িং ইলেভেন অদুদগী অনীশুবা প্লেদা শান্নরোয় মরি চেঞ্জ তৌখি। মহাক্না অনীশুবা মেচতা গোল কিপর সায়ক বরাই, শেন মেকফাউল, গগনদীপ সিংহ অমদি বাইক্লান পাইটেবু পুশিল্লকখি।

অদুগা লৌথোকখিবা প্লেয়রশিং অদুনা রক্সিটদাগর, জোমিংলিয়ানা বালটে, মান সিংহ অমদি জুআন ক্বেরোনি। ষ্টার্টিং ইলেভেনে অদুদা এল এফ সি-দি এস কে একাদেমীগী গ্রেজুয়েট প্লেয়র তরেৎ য়াওখি। টিম অসিগী কিং সোং য়োংনা স্কিপরগী দাইত্ব পুহনখি।

মেচ হেক হৌখিবগা দি এস কে সিভাজিয়ন্সনা গেংটোক হিমালায়নগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা শান্নরকখি। মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা কিমনা পুশিনখিবা বোল অমা গগনদীপনা ওক্তুনা গেংটোককী মায়কৈদা চঙশিনখিবদা কোর্নর কিক অমা ফংবা ঙমখি। কোর্নর কিক অদু পাইটেনা নিংথিনা কাউরক্তুনা বোক্সতা থাদরকখিদুনা রোহিৎনা মদুবু মেচকী মিনিট মঙা চৎপা মতমদা গোল ওন্থোকখিবদগী ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মখা তানা সিভাজিয়ন্সনা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা অহেনবা গোল চন্নবা তকখৎলকখি। মখোয়না হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৪ চৎপা মতমদা রোহিৎ কুমারনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বৈচুং ভুটিয়ানা কেপ্টেন ওইবা গেংটোক হিমালায়ন্সনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা তকখৎ-লকখি। মখোয়না তকখৎ-লকখিবা এটেক্তা ফ্রি কিক অমা ফংখি। ফ্রি কিক অদু সুরজিৎ সিংহনা দি এস কেগী কিপর সায়কতা অতপ্পা শুট অমদা কাওশিনখিদুনা সেভ তৌখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা গেংটোক্কী সঞ্জয় সেত্রি অমদি দি এস কে সিভাজিয়ন্সকী বালাল রেমকিমা অনীদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। গেংটোক্কী কর্মা টসৱেংনা দি এস কে সিভায়ন্সকী সুরচন্দ্রদা ফাউল তৌখিবগীদমক রেফ্রিনা বুক তৌখি।

গেংটোক হিমালায়ন্সনা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি অমা ফংখি। পেনালটি কিক অদু জোন লেপচানা মেচকী মিনিট ৭৮ চৎপা মতমদা নিংথিনা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। দি এস কেনা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক মখা তানা গেংটোক্কী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌরকখ্রবসু গোল চনবা ঙমদনা তোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা গ্রুপ বিগী মেচতা কুমজা ২০০৬ কী চেম্পিয়ন দেম্পো এস সি অমদি মণিপুরগী নেরোকা এফ সি অনীনা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি। নেরোকা এফ সিগী গোল অদু মমাঙগী ইন্দিয়া প্লেয়র সুশিল কুমার সিংহনা মেচকী মিনিট অহুম চৎপা মতমদা হেদিং তৌশিনখিদুনা চনখি। দেম্পোগী গোল অদুনা মারিও মাস্কারেনহাসনা বীভান দি মেলোনা কোর্নরদগী কাওরকখিবা বোল অমদা গোল চনশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

# ওলেম্পিক রিফ্যুজি টিমগী এথলেটশিংদি কাবুমাগী কেম্পনা মখোয়গী ময়ুম ওইরি



রিও দি জানৈরো, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াখিবা এথলেটশিংনা ময়ুম লমদমদা হন্নখ্রবসু গেমস অসিদা শরুক য়াখিবা ওলেম্পিক রিফ্যুজি টিমগী এথলেট মঙাদি মখোয়গী পোক্নফম লমদমদা হনবগী মহুৎ কেনয়াগী কাবুমাদা লৈবা চাউরবা রিফ্যুজি কেম্পতা ওইনা থুংখ্রে।

এথলেট মঙা অদুনা রিফ্যুজি কেম্প অদুদা থুংখিবদা কেম্প অদুদা লৈরিবশিংনা ঐখোয় লোইনমক গোল্ড মেদলিষ্ট ঙাক্তনি হায়না থাবা বেন্নরশিং পায়দুনা মখোয়বু হরাউ-তয়াম্না হিরো অমগুম ওকখি অমদি পুক্নিং থৌগৎখি। রিফ্যুজি কেম্পতা ওকখিবা অদুগা চপ মান্ননা নাইরোবি এয়রপোর্টতসু এথলেটশিং অদুবু ওকখি।

য়ু এন রিফ্যুজি এজেন্সি, য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নার ফোর রিফ্যুজি (য়ু এন ঐচ সি আর) গী মতুং ইন্না এথলেটশিং অসিনা কেম্পতা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা চয়োল অমা লৈরবা মতুং নাইরোবীদা লৈবা মখোয়গী ট্রেনিং কেম্পশিংদা অমুক হনখিগনি হায়রি। কেম্প অসিদা সাউথ সুদানগুম্বা খুৎলায়গী মুক্নবা লৈবা লৈবাকশিং থাদোক্তুনা চেল্লক্নবা রিফ্যুজি ১৮০,০০০ হেনবনা ময়ুম ওইনা লৈরিবনি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা য়েখ পুর বৈলনা হায়খি, এথলেট ঐখোয় পুম্নমক কেম্পকী অকোয়বা থুংনা চত্তুনা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লি অমদি জগোয়শিং শাদুনা অপেনবা উত্তুনা নুংঙাইমিন্নরি। কেম্প অসিদা লৈরিবশিংনা এথলেট ঐখোয়বু লেপ্পা লৈতনা থাগৎপা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লি। ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াবগী থৌদোক অসি ঐখোয়গী পুন্সিদা থোক্কনি হায়বসি কৈদৌঙৈদা থাজবা লৈখিদে। হৌজিক্তি ঐখোয়গী পুন্সিদা করিগুম্বা খরা তৌদুনা ময়ামগী রোল মোদেল অমা ওইবা ঙম্মী হায়বদু উৎপা ঙম্লবনা ঐখোয় ইশাবু ইশানা থাজজবা ঙমহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

রিফ্যুজি কেম্পশিংদা অৱাবা অমদি খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংবু অনৌবা পুন্সিরোল অমা পীনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিংগী মনুংদা স্পোর্টস অসিসু অমনি হায়বসি ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী রিফ্যুজি এথলেটশিং শেম শানবগীদমক আই ও সিনা বৃটিশ পাউন্দ মিল্লিয়ন ২ মতেং পাংখিবদা নত্তনা ওলেম্পিক্স গেমসগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা রিফ্যুজি এথলেটশিংনা শরুক য়াবসু ওইখি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা রিফ্যুজি এথলেট ১০ না ওলেম্পিক্স ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখিবা অদুদা মালেমগী মীয়ামগী থম্মোয় খুদুম চনখি। সাউথ সুদান, দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো, ইথিওপিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদগী হৌরকখিবা রিফ্যুজি এথলেটশিং অদুদা কখোল্লবা অয়েকপা শক্তমগী পোষ্টরশিং রিওগী লম্বীশিংদা থেৎতুনা থমখি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা রিফ্যুজি টিমদা য়াওদুনা শরুক য়াখিবী মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী স্বিমর য়ুসরা মার্দিনিনা মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাই হিটতা মায় পাকপা ঙমখি। মহাক্না মরৈবাক সিরিয়াগীদমক কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবনি। রিওগী মিটর ১,৫০০ গী লমজেলদা শরুক য়াখিবী এঞ্জেলিনা নদাই লোথালিথনা হৌখিবা চহী ১৫ গী মমাঙদা সাউথ সুদান থাদোক্তুনা চেল্লকখিবদগী ঙসি ফাওবা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনবা ফংদনা লাক্লিবনি। মিটর ৮০০ গী রন্নর রোজ নাথিকে লোকোনয়েনসু সাউথ সুদানদগী চেল্লকখিবনি।

# ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈখ্রে, আর অশ্বিননা টোপ ফাইভকী মনুং চনখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না নৌনা থোকখিবা টুয়েন্টি ২০ গী বেটসমেন রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলিনা মহাক্কী নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈখ্রে। অদুগা ওফ স্পিন্নর আর অশ্বিননা হান্না লৈরম্বা তরেৎশুবা মফমদগী মরিশুবা মফমদা কাখৎলক্তুনা লৈখিবগা লোয়ননা বোলরগী টোপ ফাইভকী মনুংদা হল্লকপা ঙমখ্রে।

য়ু এস এদা পাঙথোকখিবা টি ২০ গী মেচ অনীগী সেরিজদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচতা লোকেশ রাহুলগী মায়থীবা য়াওদনা লৌখিবা সেঞ্চুরি অদুনা মফম ৬৭ হাইগৎতুনা ৩১শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

টি ২০ গী মেচ অনীগী সেরিজ শান্নদ্রিঙৈদা পোইন্ট ১২৮ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখিবা ইন্দিয়াদগী পোইন্ট তরুক তাথনা লৈখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা হৌজিক ইন্দিয়া (১২৬) দগী পোইন্ট অমখক তাথদুনা পোইন্ট ১২৫ ফংবা ঙমখ্রে। ন্যুজিলেন্দনা পোইন্ট ১৩২ ফংদুনা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

অমেরিকাদা পাঙথোকখিবা টি ২০ মেচ অনীগী সেরিজ অদুগী অহানবা মেচতা ৱেষ্ট ইন্দিজগী লেৱিসনা বোল ৪৯ দা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট তরুক তুবগা রন ২৪৫ লোহনখিবা অদুদগী হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম ২৮৮ কাখৎলগা ৫১শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে। অহানবা মেচ অদুমক্তদা ইন্দিয়াগী লোকেস রাহুলসু নোট আউটতা লৈদুনা রন ১১০ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট মরী তুরগা অপুনবা রন ২৪৪ লৌবা ঙমহনখিবদগীদমক মফম ৬৭ কাখৎলগা ৩১শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী রোহিৎ শর্ম্মসু অহানবা অমদি অনীশুবা টি ২০ মেচতা মথংশিংনা রন ৫২ অমদি ১০ লৌখিবদগী হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম মঙা কাখৎলগা ১৭শুবা রেঙ্কতা লৈবা ঙমখ্রে। ৱেষ্ট ইন্দিজগী জোন্সন চার্লসনা সেরিজ অদুদা রন ৭৯ অমদি ৪৩ লৌবা ঙমখিবদগী মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ২৩শুবা মফমদা লৈখি।

আই সি সি টি ২০ গী বোলরগী রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী রভিচন্দ্রন অশ্বিননা হান্না তরেৎশুবা মফমদা লৈরম্বদগী হাইগৎলক্লগা মরিশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা টোপ ফাইভকী মনুংদা অমুক হল্লকপা ঙমখি। চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী অমদি মার্চ থাদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা অনীশুব মফমদা লৈরমখিবা অশ্বিনগা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা অনীশুবা টি ২০ মেচ অদুদা রন ১১ পীরগা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবনি।